# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 20-03-2025)**

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপকী মীওইশিং য়াওনা মীওই তরুক য়াওনা য়াল্লবা খ্ৎলায়গা কোন্ননা ফারে।

মনিপুর পুলিসকী পাউনা হায়-আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.সি.পি. (সিটি মীতৈ) গী কাদর অমা য়াওনা বিষ্ণুপুর জিলাগী ইরেংবম ময়াই লৈকাইদা মীওই অহুম ফাগৎখি। মখোয়দগী মেগজিন য়াওবা এম.টোইন্তি পিষ্টোল অমা, নোংমৈ মরু ৪১, ৱয়ারলেস সেট অহুম অমদি সেট চাজর অমা ফংখি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং তেংনৌপল জিলাগী বোর্ডর পিল্লর নম্বর ৭৬ তগী কে.ৱাই.কে.এলগী কাদর অমা ফারে অমদি থৌবাল জিলাগী ৱাংজিংদগী প্রিপাক (প্রো) গী কাদর অমসু ফাখি। মখোয়দগী ফাইব পোইন্ট ফাইব সিক্স এম.এমগী এল.এম.জি. অমা, এল.এম.জি. মেগজিন অহুম, এল.এম.জি. মেগজিন দ্রম অমা, নোংমৈ মরু ৩১৯, সভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এম. এ.কে. ফিফতি সিক্স রাইফল অমা, এ.কে. মেগজিন অনি, এ.কে. রাইফল অমা, চাজর য়াওবা মোটোরোলা সেট অমা, ইন্ম্যুনিসন পাউস অনি, কম্বেদ দ্রেস অনি, রাইফলস স্লিং অনি য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎপা ঙমখি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী কুম্বী পুলিস ষ্টেসননা কোনবা সন্দংখোঙগী মফমদগী ঙরাং মনিপুর পুলিসনা সোরেপাগী কাদর অমা ফাগৎলে। হায়রিবা মীওই অসি হান্না কে.সি.পি. (তাইবংঙানবা) গী কাদর ওইরম্বনি হায়রি। মীওহ অসি মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বা অমদি সরকারগী ওফিসিএলশিংদা কিহন খঙহনবদা চেন্নবা মীওইনি। মঙোন্দগী দিমান্দ লিট্টর ৮ অমদি জিলা অসিগী স্কুল ৩৮ য়াওবা লিষ্ট অমা ফাগৎখি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়-নেসনেল হায়ৱে ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা

পোৎ-চৈ পুবা গাড়ি ২০৬ অমদি নেসনেল হায়ৱে নম্বর টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা পোৎ চৈ পুবা গাড়ি ৩০১ ইম্ফাল তমা চংলকখ্রে।

**কার্ফিয়ু (এল)ঃ** চুরাচান্দপুর জিলাদা ঙসিগী ওইনা কার্ফিয়ু অয়ুক পুং ৭ তগী নুংথিল পুং মরি মখায় ফাওবা কোমথোক্লি। অদুমওইনমক, জিলা অসিগী কংবাই, শামুলমলান অমদি সঙ্গাইকোট সব দিভিজনগী মফমশিং অসিদি কার্ফিয়ু কোমথোক্লোই হায়না জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা থোকপা চেরোল অমনা খঙহল্লি।

**কম্মিসন(এল)ঃ** মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন (এম.এস.সি.ডব্লিয়ু) অমদি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবাল অনিনা পুন্না শিনদুনা ঙরাং থৌবাল দি.সি. কমপ্লেক্সতা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা জিলা অসিদা লাঞ্জেন্নরক্তুনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা অমদি লানগী চৈথেং ফংলবশিংগী মতাংদা খন্নখি।

মীফম অদুদা এম.এস.সি. ডব্লিয়ুগী মেম্বর সেক্রেটরি-ডব্লিয়ু ফজাতোম্বীনা হায়-লাঞ্জেন্নরিবশিংগী মনুংদা মরুওইনা নপীশিংনা হেন্না অৱাবা মায়োকরি। তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিং অসিনা হিংলিবা পুন্সি মহিং অসি সরকারনা কুপা য়েংশিনবীদুনা পাংবা য়াবা মতেং পাংবীয়ু।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা থৌবালগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-অহন্থেম সুভাসনা হায়-জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিংদা পাংবা য়াবা মতেং পাংলি। মতম মতমগী ওইবা স্কিল দিবলপমেন্টকী ট্রেন্নিং কয়াসু পীরি।

**চান্দেল (এল)ঃ** নেসনেল প্রোগ্রাম ওন ক্লাইমেট চেঞ্জ এন্দ হ্যুমেন হেলথ (এন.পি.সি.সি.ঐচ.ঐচ) গী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি চান্দেল (দি.ঐচ.এস) না শিনদুনা নোংমগী ওইবা ইন্টরনেসনেল ডে ওফ ক্লিন ইয়ার

ফোর ব্লু স্কাইগী পালন থৌরম পাঙথোকখ্রে।

চান্দেল জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট ইন্সটিট্যুট ওফ এদুকেসন এন্দ ত্রেন্নিং সেন্টরদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা এন.পি.সি.সি.ঐচ.ঐচকী দিষ্ট্রিক্ট নোদেল ওফিসার-ডা: ঐচ.বি. কেনরিং অনাল শরুক য়াখি।

**ডে (এল)ঃ** মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী দিপার্টমেন্ট ওফ টিচর এদুকেসননা শিনদুনা ঙসি ইন্টরনেসনেল ডে ওফ হেপিনেস-২০২৫ গী পালন থৌরম য়ুনিভরসিতি অসিদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিগী হীরমনা 'কিয়ারিং এন্দ সেয়ারিং' হায়বসিনি।

**মৈ (এল)ঃ** এম.এস.পি.দি.সি.এলগী মীওইশিংনা তোঙান তোঙানবা মফমদা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা মৈ লান্না শিজিন্নরম্বা কঞ্জুমর কয়া ফাগৎখ্রে।

এম.এস.পি.দি.সি.এলগী জেনরেল মেনেজরনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-হৌখিবা নুমিৎ নিনি অসিদা মৈ লান্না শিজিন্নরম্বা থৌবাল সব-দিভিজনগী মফম খরদগী মীওই অহুম, য়াইরিপোক সব দিভিজনগী য়াইরিপোক লৈরোংথেল, সিঙ্গা , লৌরেম্বম, চঙমতাবীগী মফমশিংদগী মীওই ৯, বিষ্ণুপুর সব-দিভিজনগী নাচৌ ৱার্ড নম্বর ফোরগী মফমশিংদগী মীওই মরি, মোইরাং সব দিভিজনগী ক্বাক্তা থিংগৈ এরিয়াদগী মীওই অনি, কুম্বী সব-দিভিজনদগী অহুম পুন্না কঞ্জুমর ২১ ফাগৎখি। মসিগী মনুংদা কঞ্জুমর ১০ গী মৈ ককথৎখ্রে হায়রি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগা বিল এন্দ মেলিন্দা গেটস ফাউন্দেসনগী ফাউন্দর-বিল গেটসকা ঙরাং ন্যু দিল্লিদা উন্নখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়-ঙরাং উন্নবা অদুদা টেকোলোজি, এনোভেসন অমদি সসটেনেবেলিটিগী মতাং য়াওনা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে। মসিনা তুংদা লাক্কদৌরিবা মীরোলশিংদা

হেন্না কান্নবা পীরগনি।

অমরোমদা, বিল গেটসনসু প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে হায়না সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকখি। মহাকা হায়-ভারতপু ইং ২০৪৭ ফাওবগী মনুংদা ভিক্সিত ভারত ওইননবগী মঙলান অদু থবক ওইনা ওন্থোকবগী মতাংদা পুন্না খন্নখি। লোয়ননা হকশেল, লৌউ-শিংউ, আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্স (এ.আই) অমসুং তোঙান তোঙানবা লম কয়াদসু হেন্না চাউখৎহন্নবগী মতাংদা প্রধান মন্ত্রিগা খন্নখি হায়রি।

**জয়শঙ্করঃ** মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্করগা ঙরাং ক্যুবাগী উপ প্রধান মন্ত্রি-ডা: ইদ্বারদো মারটিনেসকা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী ওইবা চাউখৎ থৌরাংশিংগী মতাংদা ৱারী শান্নখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা উন্নখিবা অদুদা লুচিংবা অনিনা লৈবাক অনিগী চাউখৎ থৌরাংগী মতাংদা মরুওইনা হকশেল অমদি মহৌশাগী মনা-মশিংদগী শুংবা হিদাক লাংথকশিংগী মতাংদা খন্নখি। তুংদা, শ্রী জয়শঙ্করনা জোরজিয়াগা মপান থৌরম মন্ত্রি-মকা ভোচো রিসভিলি অমদি নোরৱেগী স্পেন বার্ডগসু উন্নখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মনিপুর য়াওনা ষ্টেট মরিগী দিলিমিটেসনগী থবক থা অহুমগী মনুংদা তৌনবা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ অসি পোকফমগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিদা জষ্টিস-কোতিশ্বর য়াওনা সুপ্রিম কোর্টকী জজশিং মনিপুর য়েংশিনবা লাক্কদৌরি হায়বা পাউ অমসু অহানবা লামাইদা ফোংলে।

সনা লৈবাক্তা-চুরাচান্দপুরদা মার অমসুং জোমীগী মরক্তা খুৎ থোকখ্রে। মীওই অমা শিরে, জোমী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসনগী মতম কক্তমা ইমর্জেন্সি সটদাউন দ হৌখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরে।

মনিপুরদা শান্তি পুরকবা লৈঙাক্কী চপ চাবা ফিরেপ লৈ হায়বা শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারামনগী ৱাফম সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা বেন্নর হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা-মনিপুরগী লানগী কেসশিং হান্না ত্রান্সফর তৌখিবশিংগী ৱায়েল গুৱাহাতিদা চথগনি হায়বা সুপ্রিম কোর্টকী ৱাফম অহানবা লামাইদা ফোংলে।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা -অসামদা এন.এস.সি.এন (আই.এম) গী অনৌবা বটালিয়ন অমা লিংখৎনবা থৌরাং তৌরিবা অদু জেলিয়াংরোং য়ুনাইটেদ ফ্রন্টনা য়ানিংদবা ফোংদোক্লি হায়না অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-ইরৈবাক কন্দবা য়াদে হায়বসিনা মাঙ থাদুনা থবক তৌবা মথৌ তায় হায়বা এসেমব্লিগী স্পিকর-থোকচোম সৈত্যবরতাগী ৱাফম এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা-মনিপুর ক্রাইসিসকী মতাংদা কংগ্রেস পার্টিগী মথক্তা ফাইনান্স মিনিস্তর-নিরমালা সিতারমননা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি হায়বা পাউ অসি অহানবা লামাইদা ফোংলে।

পিপলস ক্রোনিকলদা-চান্দেল জিলাদা লুপা কোতি অহুম মখায়রোমগী দ্রগ ফারে হায়বা পাউ অসি অহানবা লামাইদা ফোংলে।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা-লুপা কোতি ৮৮ গী দ্রগ মনিপুরদগী ফারে হায়না অহানবা লামাইদা ফোংলি।

মনিপুর মেলদা-থাদৌ ইনপি মনিপুরনা চুরাচান্দপুর জিলাদা শান্তি পুরকবা আপিল তৌরি হায়না অহানবা লামাইদা ফোংলি।

হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-চুরাচান্দপুরদা জোমী অমদি মার অনিগী মরক্তা নৌনা থোকখিবা খৎন-চৈনবদা মীওই অমা শিরে, কয়া অমনা অশোক অপন নংলে হায়না হেদলাইন তৌরি।

গানফিয়ু মেলদা-প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, মনিপুরদা লাকপা য়াই। শেম

শাবা হৌরে হায়না হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা-জৈলাদ ৱাইল্ড লাইফ সেঙ্কচুরি ইফেক্তেট ভিলেজেস কমিতিগী মীহুৎ কাংবুশিং নৌনা খনখ্রে হায়না ফোংলি।